
# লায়না লাক্তনবা মকোন লু-নান্না থম্বীবা

ডা: সরাংথেম জেম্মারাণী





**শা-ষণ, য়েন-ঙানু** য়োকপীরিবা খুদিংমক্না লায়না চেলহন্দনা শেন্দোং লৈনা য়োকপীগে হায়রগদি মখোয়না লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থম্বীবা হায়বসিনি। শা-ষণ, য়েন-ঙানুশিংনা লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থম্লগদি লায়না চেলহন্দনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি।

**মকোন লূ নান্না পায়খৎপা য়াবশিংদি ঃ**

(ক) লৈফম নিংথিনা শেংদোকপীবা
(খ) চপ চানা দ্রেনেজ থম্বীবা
(গ) নিংথিনা মকোন মনুংদা মৈ থানবীবা
(ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা
(ঙ) অনাবা লৌহন্দনবা হোৎনবীবা

**ক) মকোন নিংথিনা শেংদোকপীবা ঃ**

শা-ষণনা লৈরিবা মকোন্দু লুম্না থম্নবগীদমক চরু শীজিন্নবা য়াই। মসি নুমিৎ খুদিংগী নুংশাদা ফৌদোক্তুনা কংহল্লবা মতুংদা অমুক মকোন্দা থম্বীগনি। মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং পীথক্লবা পাত্র খুদিংমক নুংমিৎ খুদিংগী ঈশিংদা চামথোকপীরগা কংনা নুংশাদা ফৌদোকপীরগা শীজিন্নবীগনি। মকোন মনুংদা লেংদনা লৈরিবা মচিঞ্জাক্কী পাত্র অমদি থক্লবা থল্লিবা ঈশিংগী পাত্র খুদিংমক শেংদোল্লবা মতুংদা অনৌবা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং হাপ্পীগনি। মকোন মনুংদগী শিৎতোক শেংদোল্লবা অমোৎ অকায় পূন্নমক অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ফত্ত হৌদি খুদিংমক মৈ থাদোকপীগনি। করিগুম্বা মকোন্দু লৈবাক ওইরগদি হপ্তা খুদিংগী মরোন অমা লৌথোল্লগা অমুক অনৌবা মরোল অমা হাপ্পীদুনা থম্বীগনি। অতোপ্পা অমনা করিগুম্বা মকোনগী লৈমায়দু উ/ৱানা নৎত্রগা অষ্টর চনবা ওইরগদি নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংনা চামথোকপীগনি।

**খ) দ্রেনেজ নিংথিনা থম্বীবা ঃ**

মকোন শাবা মতমদা নিংথিনা নালা চন্দুনা নলালোমদা স্লোপ নাইনা থম্বীদুনা মথি ময়ুং পূন্নমক তাহন্দুনা মপান লোমদা নিংথিনা পুথোকপীগনি। পুথোরক্লিবা মথি ময়ুং অমদি মচিঞ্জাক অরেম্বা পূন্নমক নোংমদা অনীরক মকোন্দগী শেংদোক্তুনা মপানলোমদা পুথোক্তুনা কোম অমা তৌদুনা থাদবীগনি। কোমশিংদু হয়িং মচা কোক্তনবা কুপশিন্দুনা থম্বীগনি।

**গ) মকোন্দা মৈ থানবীবা ঃ**

মকোন মনুংদা নিংথিনা মৈ ফংহন্নবা হোৎনবীগনি। মকোনদা নুংশা মঙাল নিংথিনা ফংহল্লগদি লায়না থোরকপা য়াবা মহিক ময়াম অমা নুংশা মঙালনা হাৎপা ঙমহল্লি অমদি মকোনদু লৈনিল কাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। নুমিদাংগী মতমদসু শা-ষণ পূন্নমক নিংথিনা লৈনবা মৈ থানবীগনি।

**ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা ঃ**

মকোন্দা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না লৈহন্নবা ভেন্টিলেসন নিংথিনা থম্বীগনি। নমথিবা মনম পূন্নমক অশেংবা নুংশিৎনা হুমদোকখিদুনা লায়না শন্দোরকপগী চাং হন্থহল্লি। য়েন মকোন শাবা মতমদসু লৈমায়দগী ফুট ১ গী চাংদা মেনবীরবা তুংদা মথক্না জালি হাপ্লগা শেম্বীরগদি য়েন্থিদা এমোনিয়াগী চাংদা ৱাংবনা নুংশিৎতগী হেন্না লুম্বগা মকোন কা হেন্না ফুনখ্রগদি এমোনিয়াগী গ্যাসসি পাইথোকপা ঙমদে। মসিনা মকোন মনুংদা লৈরিবা য়েনশিংদা মমিৎতগী মপি তারকপা, লোক লৈবগী মওংদা ময়া কাথোল্লগা মখোন থোক্না লোক খুবগী মওং উৎপা উগনি। অসিগম্বা মতমদুদা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহল্লগদি মনম পূন্নমক কোকপা ঙমহল্লি।

**ঙ) অনাবা অমগা অমগা লৌনহন্দবাঃ**

অনাবা লৌনহন্দনবা ঐখোয়না দিসইনফেক্টটেন ময়াম অমা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা লায়না শন্দারকপা য়াবা বেক্টরিয়া অমদি পেরাসাইট ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

**দিসইনফেক্টটেন মখল অহুম থোকপা য়াই ঃ**

**(১) নেচরেল ঃ**

নেচরেল দিসইনফেক্টটেন হায়রগদি নুমিৎকী মৈশানি। মসি খ্বাইদগী শক্তি লৈবা অমনি। মসিদা ইফিসিএন্সি ওইহল্লিবসিনা নুমিৎতা য়াওরিবা অলত্রা বাইওলেট ৱেবলেঙথ 2400-2800ºA য়াওবগীনি।

**(২) ফিজিকেল ঃ**

দিসইনফেক্টসন তৌবদা মনিলসিসু খ্বাইদগী ফবা অমনি। মনিলসিসু অচোৎপা ওইরগদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিদসু নত্তনা নুংশিৎ অশাবা, ঈশিং অশাবা, মৈ অমদি মনিলসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবা য়াই। নুংশিৎ অশাবসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবসি য়াই কান্নে অদুবু মমল য়াম্না ৱাংই। শা-ষণ লোইবদা শীজিন্নরিবা পাত্র খুদিংমক ঈশিং অশাবদা/অশৌবদা মিনিট ৫ লুপ্পগা থম্বদা মহিক ময়াম অমা শি। মনিল দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবসিসু মমল য়াম্না ৱাংই। দিসইনফেক্টসন তৌবদা মৈ ওইনা শীজিন্নবসিসু মফমদুদা লৈরম্লিবা বেক্টরিয়া অমদি স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। মসিগীদমক লায়না চেন্দুনা শিখ্রবা শা-ষণ মৈ থাদোপসিনা খ্বাইদগী ফবা দিসইনফেক্টটেননি।

**(২) কেমিকেল দিসইনফেক্টটেন ঃ**

দিসইনফেক্টসন তৌবদা কেমিকেলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা এসিদ, অলকালি, পোটাসিয়ম পরমেগনেট, হায়দ্রোজেন পেরাওক্সাইদ, অলকোহোল, ফিনাইল অসিনচিংবা ময়াম অসিনা মহিক্তা য়াওরিবা প্রোটিনগা রিএক্ট তৌরগা মপাঙ্গল হন্থহল্লি।

**মহিক হাৎনবগীদমক মখা পোল্লিবসি ঃ**

- শীজিন্নগদৌরিবা দিসইনফেক্টটেনগী কন্সেন্ত্রেসন
- কেমিকেল শীজিন্নরগা মতম কয়া অমুক থমগদবা
- শীজিন্নবগী মওং
- কেমিকেল সোলুসন শেন্নগা শীজিন্নবগী মতম
- কেমিকেল শীজিন্নদ্রিঙৈদা নিংথিনা মকোন্দু চামথোকহৌদ্রগদি কান্নবা ফংদে।

**গ্যাসিয়স ঃ**

মসিদা ঐখোয়না ফোর্মেলডিহাইদ শীজিন্নরগদি মখল খুদিংগী ভেক্টরিয়া অমদি মাগী স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙম্মী। পোটাসিয়ম পরমেনগনেট অমদি ফোরমলিনসি ২.৩ গী চাংদা শীজিন্নদুনা মকোনদা কাপথোক্তুনা মহীক চঙহন্দবা ঙমহল্লি। করিগুম্বদা ঐখোয়না ফোরমেলিনগী মনিলশিং শীজিন্নবা তারগদি কা মনুংদা কাপ্লবা তুংদা পুং ২২ থোঙ লোনশিল্লগা থম্বীগনি। মসিদা অকনবা ভেক্টরিয়াগী স্পোর খুদিংমক শিবা ঙমহল্লি। মকোন শেংদোকপদা সোদিয়ম কার্বোনেট (ৱাশিং সোদা) শীজিন্নবা য়াই। মসি চাদা ১ হাপ্লগা শীজিন্নরগদি ভেক্টরিয়া ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। লৈমায় মোৎপা/স্পোর হাৎনবগীদমক্তা চাদা ২ অমদি চাদা ৩ শীজিন্নবা য়াই। মসি শীজিন্নগদৌরিবা মীদুনা অনোক অমদি মখূৎকী গ্লোব উপ্পনা হেন্না ফৈ। হায়রিবা ৱাশিং সোদাসি মার্কেটতা ইরায় লায়না ফংবতা নত্তনা হু চেলহন্দনা ঈশিংদা লায়না তুমহল্লি। মহীক ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

**মকোন শেংদোকপসিসু মখল অনী থোক্না শেংদোকপা য়াই ঃ**

লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা অমা ঃ-


লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা তারগদি মকোন মনুংদা লৈরিবা পাত্র খুদিং লৌথোল্লগা মপান্দা থম্বীগনি। পাত্র খুদিংমক দিসইনফেক্টটেন্না লুপ্পগা মতম খরা হন্থবা তুংদা ঈশিংদা চামথোকপীগনি। মকোন মনুংদুদসু ঈশিংনা হান্না চামথোল্লবা তুংদা দিসইনফেক্টটেন হাপ্পগা শেংদোল্লবা তুংদা মতম খরা লৈরগা ঈশিং অচম্বনা অমুক চামথোকপীগনি।


করিগুম্বা লায়না মায়োক্নখিবা তারগদি মকোনদুদা লৈরিবা চরু/ৱাই অমোৎ-অকায়নচিংবা লেমহৌবা মচিঞ্জাক খুদিংমক মৈ থাদোকপা নৎত্রগা ফুম্বীয়ু। ফক্লাং অমদি লৈমায়সু ৱাশিং শোদা শীজিন্নদুনা শেংদোকপীয়ু। অনৌবা চরু/ৱাই হাপত্রিঙৈদা পোলিথিন শিদ অপাকপা অমা থাবীদুনা অনৌবা চরু/ৱাইশিংদু হাপ্পীগনি। মকোন মমাঙদা খোঙউপ উপ্লগা চৎনবা দিসইনফেক্টটেন য়াওরবা মহীদু মকোনগী চঙফমদা থম্বীদুনা চঙবা মতমদা নেৎলগা চঙলগদি মহিক চঙলকপগী চাং হন্থহল্লি।

অসুম্না লায়না তীলনা চঙহন্দনা মকোন নিংথিনা লূ নান্না থম্লগদি লায়না লাকপগী চাং য়াম্না নেম্বদা নত্তনা হেন্না শাহৌ ফদুনা অমদি হেন্না পোত্থোক পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবা ঙমহল্লি।

# অফবা মখলগী ঙা য়োক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা

ডা: যুম্নাম বেদজিৎ সিংহ







*অফবা* মখলগী ঙা হায়বদি জয়েন্তি রোহু, গীফ্ট টিলাপিয়া, অমুর কার্পনচিংবা ঙাশিং য়োক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা য়াই।

জয়েন্তি রোহু হায়রিবা রৌ মখল অসি ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছার্স- সেন্ত্রেল ইনষ্টিট্যুট ওফ ফ্রেস ৱাটর এক্কাকলচর হায়বা ভুবনেশ্বরদা লৈবা ইনষ্টিট্যুট অসিনা অহানবা ওইনা ভারত্তা সেলেক্টিব ব্রিদিং তৌদুনা পুথোকপা ঙা মখল অমনি। হায়রিবা ঙা মখল অসি ময়াম্না য়োক্নরিবা রৌ মখল মখল অসিগা মান্নে। তৌবতবু খরা হেন্না থুনা চাওগল্লি হায়বদি গেনেরেসন মাপনগী মতুংদা গেনেরেসন অমদা চাদা তরানিপাল হেন্না হান্নগী রৌদগী হেন্না চাউই অমদি চাননবগীদমক য়োনবা য়াবগী চাং য়ৌবদা থা অনী ঙনখৎলি অমদি লায়না-তীলনা নাগন্দবা ঙা মখল অমা ওইরি। হায়রিবা ঙা মখল অসি ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা য়োকপা হৌনরে।

জেনেটিকেল্লি ইমপ্রুভ ফার্ম টিলাপিয়া হায়রিবা ঙা মখল অসিসু পইল টিলাপিয়া হায়রিবা ঙা মখল অসি শীজিন্নদুনা পুথোকপা খরা হেন্না চাউবা তুংহনবী মখল অমনি। হায়রিবা ঙা মখল অসি অপীকপা অমদি অচৌবা ঙামীশিংনা য়োকপা য়াবা ঙা মখল অমনি। তুংহনবী হায়রিবা ঙা মখল অসি মালেমগী ওইনা কার্প অমদি সলমোনগী মথংদা খ্বাইদগী পাম্নবা ঙা মখল অমনি। হায়রিবা তুংহনবী মখল অসি মালেমগী ওইনা কুমজা ২০০২ দা মেট্রিক টন ১,৫০০,০০০ হেন্না পুথোকই। অমদি চহী খুদিংগী অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। হায়রিবা ঙা মখল অসি প্রোটিনগী চাং য়াম্না য়াওই, য়াম্না থুনা চাওগল্লি অমদি মসি য়োকপদা শেন্দোং য়াম্না ৱাংনা ফংই। তুংহনবী হায়রিবা ঙা মখল অসি থা তরুক্তা মপূং মরৈ ফজনা ফাই। মরম অদুনা অথুবা মতমদা য়োনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ। মচিঞ্জাক্কীদমকসু অকক্লবা মচিঞ্জাক লৈতে। অপীকপা নাপীদগী হৌরগা তীল-কাং ফাওবা লোইনা চাই অমদি মচা পুথোকপগী অৱাবা লৈতে। খরা হেন্না শাবা ঈশিংদসু লৈবা হৈনৈ অমদি অপীকপা পুখ্রি অমদা মশীং য়াম্না য়োকপা য়াবগী খুদোংচাবশিং অসি লৈবা মরম্না ময়াম্না য়াম্না পাম্ননা য়োক্লবা ঙা মখল অমা ওইরি। কুমজা ২০১১ গী ওগষ্টকী তাং ২৫ দা গীফ্ট টিলাপিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা গেনেরেসন হায়বদি তরাশুবা গেনেরেসন অসি মালেসিয়াগী জাইত্রা হায়বা লম অদুদগী ভারতকী ভিজয়ৱাদাদা লৈবা গান্ধী সেন্তর ফোর এক্কাকলচর রিছার্স হায়বা ইনষ্টিট্যুট অসিদা পুশিল্লকখি। অমদি মচা পুথোক্তুনা মেরিন প্রদক্ট এক্সপোর্ট দিভলপমেন্টগী মখাদা লৈবা রজিব গান্ধী সেন্তর ফোর এক্কাকলচরগী মখাদা ঐখোয়গী লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা য়োকপা হৌনরক্লি।

হায়রিবা ঙা মখল অসি লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকচবা ঙম্বা, খরা থুনা চাওগনবা, ঙাথোক য়াম্না হেনগৎহনবা অমদি য়োকপা মতমদা পৈশা য়াম্না চঙদনা শেন্দোং য়াম্না লৈবা মরমশিং অসি লৈবনা য়োক্লিবা মীওই কয়ানা হান্না য়োক্নরম্বা ঙাশিং য়োকপা তোক্নরক্লগা তুংহনবী য়োকপদা মায় ওনশিন্নরক্লি। তুংহনবী হায়রিবা ঙা মখল অসি অফ্রিকাদগী হৌরকপনি অদুম ওইনমক হৌজিক্তি মালেমগী মফম অয়াম্বদা য়োক্নরিবা ঙা মখল অমা ওইরক্লি। গীফ্ট টিলাপিয়া সি জেনেরেসন মঙা সেলেক্টিব ব্রিদিং তৌদুনা য়োকপদা চাদা মরিফু হান্নগী তুংহনবীদগী হেন্না চাওবা হেন্দুনা য়াম্না কান্নবা ঙা মখল অমা ওইরক্লি।

তুংহনবী হায়রিবা ঙা অসি য়োকপীগে হায়রবদি ঙা অমোম নৎত্রগা লাবখক্তমক য়োকপনা হেন্না কান্নগনি। মরমদি মপূং মরৈ ফাবদা মতম শাংনা চঙদবা অমদি মরুম তোয়না কোকপা মরম্না মশা চাওখৎপদা চঙগদবা মপাঙ্গল শক্তিশিং অদু মরুম কোকপদা শীজিন্নখিবননি। তুংহনবী অমোমদগী লাবনা হেন্না চাওগল্লি। মরম অদুনা লাবখক্তমক য়োকপনা অমুক্কসু হেন্না কান্নগনি।

লাবগা অমোমগা পূন্না য়োকমিন্নরবদি মরুম তোয়না কোকপনা মরম ওইদুনা ঙাগী মশীং হেনগৎলক্তুনা চাওজন থিগল্লি। তুংহনবীগী অমোম অমসুং লাবা করম্না খঙগনি। তুংহনবী মচাশিং অসিনা সেন্টিমিটর ১০ শাংলকপা মতম অমদি গ্রাম ২০ মুক লুল্লকপা মতম অদুদা লাবা অমসুং অমোম খন্দোকপা য়ারে। অহানবদা ঙাগী মবুক হায়বদি মখা থংবা শরুক্তা য়াওরিবা genital papillae য়েংদুনা লাবা অমোম খন্দোকপা অসি কনাগুম্বা মীওই অমনা ঙা লিশীং অনী নোংমদা খন্দোকপা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং চাদা তরাগী চাংদা শোয়খিবা য়াওগল্লি।

তুংহনবী মচাশিং অদু ফাগৎলবা মতুংদা খূৎনা অমমতং পায়খৎপীদুনা মবুক্তা য়াওরিবা পাপিল্লাদা চুরি নৎত্রগা লশিং শীজিন্নদুনা মচু শংদুনা লাবা অমসুং অমোমদা য়াওরিবা মখুনশিং অদু য়েংবীগদবনি। কোলোমদা শীজিন্নরিবা মুক অসি হায়রিবা মচু শংবা অসিদা শীজিন্নবা য়াই। করিগুম্বা লাবা ওইরগদি পাপিল্লাদা মখুল অমখক্তমক লৈগনি অদুগা ।করিগুম্বা অমোম ওইরগদি পাপিল্লাদা মখুন অনী লৈগনি। মখুন অমনা য়ুং থোল্লকফমনি অদুগা মখুন অমনা মরুম থোল্লকফমনি।

অসুম্না খন্দোল্লবা লাবা নৎত্রগা অমোমশিং অদু তোঙান তোঙানবা পাত্রদা থমগদবনি অমদি য়াম্না কুংনা থম্বীরোইদবনি। হায়রিবা লাবা অমোম খন্দোকপগী থবক অসি নুংশা শাদ্রিঙৈ হায়বদি অয়ূক অঙনবদা তৌবীগদবনি। হায়রিবা থবক অসি তৌবিগে হায়রবদি নুমিৎ নীনিগী মমাঙদগী ঙাশিং অসি মচিঞ্জাক পীজবীরোইদবনি অমদি চয়োল অমা ৱাৎলিঙৈদগী মেন্যুর অমদি ফর্টিলাইজর চাইবিরোইদবনি।

অসুম্না খন্দোল্লবা ঙা লাবশিং অদু মিটর অমগী স্কারদা ঙা অমদগী অনী ফাওবগী চাংদা হায়বদি পরি অমদা ঙা লিশীং ১০ দগী ২০ ফাওবা থাদবীদুনা থা ২ দগী মরি ফাওবা য়োকপীগদবনি।

অসুম্না লাবা ঙাক্তা য়োকপনা লাবা অমোম পূন্না য়োকমিন্নবদগী শরুক মঙা হেন্না চাওগল্লি অমদি চাওবগী চাংসু য়াম্না হেল্লি। অমুর কার্প হায়রিবা ঙা মখল অসিসু কমন কার্প হায়রিবা পুকলাওবী হায়না খঙনবা ঙা মখল অসিবু মালেমগী মফম কয়াদগী খনগৎলবা থিজিল্লবা মতুংদা খ্বাইদগী ফবা মখল অদু খনগৎপা অদুবুনি। হায়রিবা ঙা মখল অসি লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমজৈ অমদি খরা থুনা চাওগল্লি অমদি অতৈ পুকলাওবীদগী খরা হেন্না চাওই।

খুদম ওইনা হায়রবদা হায়রিবা ঙা মখল অসিনা অতোপা ময়াম্না য়োক্নরিবা পুকলাওবীশিংদগী চাদা ১৩.২ দগী ৫০.১ ফাওবা হেন্না চাওগল্লি। হয়রিবা ঙা মখল অসিসু মরুম তোয়না কোকপা অমদি তুংদুনা লৈবা ঈশিং হায়বদি পুখ্রিগুম্বদা মরুম কোকপা ঙম্বা মরম্না লাবা অমোম তোঙান্না য়োকপা নৎত্রগা অসতেরাইল ওইবা ঙাশিং য়োকপনা হেন্না কান্নগনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ঙাশিং অসিদা নত্তনা মমল তাঙবা, ময়াম্নসু পাম্নবা অমদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎত্রবদি মুৎখিগদৌরবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা পেংবা, ঙাতোন/খাবক্লচিংবা ঙাশিং য়োকপসু য়াম্না কান্নগনি। হায়রিবা ঙাশিং অসিসু য়াম্না থুনা চাওগনবা অমদি অতেনবা মতমদা য়োনবা য়াবা ঙাশিংনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমনা হায়রিবা অতাঙবা ঙাশিং অসিগী অফবা মখল পুথোক্লবগীদমক সেলেক্টিব ব্রিদিং তৌবগী তঙাইফদবসু লৈরি অমদি মরী লৈনবা লোইশঙশিং হায়বদি লৈঙাক্কী নৎত্রগা লৈঙাক্কী নত্তবা লোইশঙশিং অমদি ঙাগীদমক্তা খনবীবা মীওইশিংনা অতাংবা ঙাশিংগীদমক্তা থবক থৌরম কয়া পায়খৎহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১। ''বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্না কপ্না লোইখিনি/নূংদা ইবা ঐখোয়না নোক্না নোক্না লৈহৌনি।'' কবি কনানা হায়বনো?
২। ''কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।'' পরেংশিংসি 'মঙদসু তাইবঙদসু' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?
৩। ''পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।'' পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। প্রেমচন্দগী 'সপ্তসরোজ' বু মণিপুরীদা 'থম্বাল তরেৎ' হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?
৫। নৈন-ৱারেং 'শৈরেংদসু ৱারেংদসু' হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।